দিমোক্রেসিদা হিংশাগী মফম লৈরোই: রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

দিমোক্রেসিদা ভাওইলেন্সকী মফম লৈরোই, ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী থৌওং অকনবা মওংদা য়ানীংদে, কন্দেম তৌই। ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী থৌওং য়াম্না ইকায়নিংঙাইহিনি হায়না হৈরোক কেন্দ্রগী এম এল এ দা. থোকচোম রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফমসি ঙসি বি জে পি হৈরোক মন্দলনা শীল্লগা হন্দক ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীখলগী ফল লাউথোক্লুবা মতুংদা ষ্টেট অদুদা ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা বি জে পিগী ৱর্করশিংদা ভাইওলেন্সকী থবক কয়া চখদুনা থৌমী কয়া হাৎপা, য়ুম মৈ থাবনচিংবগী থৌওং কয়া অদুবু খম থেংনা য়ানীংদবা উত্তুনা হৈরোক পার্ট-টু থোকচোম লৈকায়গী মীপূনশঙদা ফমখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখিবনি।

বি জে পি সেন্ট্রেল কম্মিটিনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী মফম পুম্নমক্তা ঙরাংদগী হৌনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী থৌওং অদুবু য়ানীংদবা উৎপগী খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসি হৈরোক্তা ফমখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা এম এল এ রাধেশ্যামনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়া অসি মালেমদা দিমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী চাওবা লৈবাক্নি। নন-ভাইওলেন্সনা লৈবাক অসিবু মালেমদা তোমথিন ঙালহল্লিবনি। অসিগুম্বা নন-ভাইওলেন্সতা থাজবা লৈবাক অসিদা ভাইওলেন্সকী চন্নফম লৈরোই হায়খি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মমতা বেনজি’না লুচিংবা ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী ৱর্করশিংনা মীখল মমাঙদগী হৌনা মীখলগী ফল হায়দোকলবা ফাওবা ষ্টেট অদুদা হিংশাগী থবক কয়া চখদুনা ইন্দিয়া মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগী মমাঙদা ইকায় ফিরুক খুল্লে। দিমোক্রেসিবু ফাগি তাহল্লে, ঙসি ফাওবদা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা হিংশাগী থবকশিং অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌই। দিমোক্রেসিদা হিংশাগী মফম লৈরোই হায়খি।

ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা চথরিবা থৌওংশিং অসিনা তাকপদি ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা মীখল মায় পাকচরগসু মশিং য়াম্না মীয়ামগী থম্মোয়দদি পার্টি অদুগী মায়োক্তা লৈ হায়বা তাকচরে। মীখল লোইখ্রে, মীখলদা মায় পাল্লুবা পার্টি অদুনা মায়থিহৌরবা পার্টি অদুদা ওনশিনদুনা ফুবা-চৈবীবা, মীহাৎ-মীপূনগী থবকশিং চথুবা অসি ইন্দিয়াগী মফম অমত্তদা চৎনদে। জঙ্গলদা শা-ঙানা অকনবনা অচুম্বা শকপগী থৌওং অদুগুম্না দিমোক্রেসিদা চথরকপা অসি য়াম্না ইকায়নিংঙাইহিনি। অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌই, ত্রিনামুল কোংগ্রেস বোয়কোট তৌরি। ইন্দিয়াগুম্বা নন-ভাইওলেন্সতা থাজবা লৈবাক্তা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা হিংশাগী থবক অসি চথরোইদবনি হায়খি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট সেক্রেটরি কেঐচ বসন্তনা হায়খিবদা, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা এ আই টি সীনা গুন্ দাইজমগী থবক চথরিবা অসিনা বেঙ্গলগী ফজবা লোইনা মাঙহল্লে।

দিমোক্রেসি হায়বসি মীয়ামগীঅনিংবা অপাম্বা অদু মনিং তম্না ফোঙদোকহনবনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদদি মীয়ামগী অনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকপা ঙমহন্দ্রে। হন্দক্কী মীখল অদুদা বি জে পিনা সীট ৭৭তা মায় পাকপা ঙমখিবা অদু পার্টি অসিগীদি য়াম্না চাওনা মায় পাকপনি। বি জে পিগী মায় পাকপা অদুবু নমশিন্দুনা থম্মিংবদগী ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা হিংশা কয়া চখবনি। এ আই টি সিনা চথরিবা হিংশাগী থৌওং কয়া অদুগী মায়োক্তা বি জে পিনা প্রোটেষ্ট তৌরি। চীফ মিনিষ্টর ওইনা ভোটতা মায়থিরবা মমতা বেনর্জিনা সী এম ওইনা ৱাশক লৌবা অসিসু ইকায়নিংঙাইহিনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, লৈঙাক্লা পীবা এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখিবা ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা বি জে পি হৈরোক মন্দলগী প্রসিদেন্ট থোকচোম চৌরজিৎ, হৈরোক জিল্লা পরিষদকী মেম্বর টি নুংশি সিংহ, জেনরেল সেক্রেটরি এন ব্রোজেন, বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী জেনরেল সেক্রেটরি এন ওপেন্দ্রো অমদি অতৈ বি জে পি থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

উমাথেলদা কোভিদ ক্যের সেন্টর হয়েংদগী হাংদোক্লবা থৌরাং তৌখ্রে

ককচিং খুন্নৌ, মে ০৬ (ঐচএনএস):

সুগ্নু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ কে রঞ্জিৎকী থৌরাং মখাদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী ওইনা কোভিদ নারবা অনাবশিং থম্নবা কোভিদ ক্যের সেন্টর ওইনা উমাথেলদা লৈবা জে এন ভি সন্দুম্বা অচৌবদা হয়েংদগী হৌদোক্লবা দিভলপমেন্ট কম্মিটি, ককচিং খুন্নৌনা অচৌবা তেকচাক লৌদুনা মথৌ তৌনবা থৌরাংশিং পায়খৎখ্রে।

ষ্টেট অসিদসু কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ অসিনা নোংমা নোংমগী নাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অমদি শিবগী মশীংসু হেনগৎলক্লিবা অসিদা এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদসু লায়না অসি পাক-শন্না শন্দোরক্তনবা থৌরাংশিং য়াওনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা কোভিদ ভেক্সিন মশিং য়াম্না কাপথোক্লুবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কেন্দ্র অসিগী এম এল এ কে রঞ্জিৎকী সেরৌদা লৈবা য়ুমদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সী এম ও য়াওনা ষ্টাফশিং, পুলিসকী মকোক থোংবশিং, সব-দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, সুগ্নু, কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর, সী ঐচ সী ৱাঙু, প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর, পি ঐচ সী, ককচিং খুন্নৌ অমদি প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর, সেরৌগী এম ও ইন-চাজ’শিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা, দিভলপমেন্ট কম্মিটিশিংগী লুচিংবশিং, ক্লব ওর্গনাইজেসনশিং য়াওনা মীফম ফমদুনা সুগ্নু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা কোভিদ ক্যের সেন্টর অসি জে এন ভি সন্দুম্বা অচৌবদা থম্নবা এম এল এনা মীফমদুদা লেপ্পখিবা লৈখ্রবনি।

হয়েং এম এল এ কে রঞ্জিৎনা হোৎনবা মতুং ইন্না হাংদোক্কদৌরিবা কোভিদ ক্যের সেন্টর অসি ফমুং ২০০দগী ২৫০ ফাওবগী কেপাসিটি ওইগনি হায়না ককচিং খুন্নৌ ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী কাওন্সিল্লর ওইরম্বা টিঐচ রিসিকেশনা ঙসি সেন্টর অসিগী মফমশিং শীৎ-শেংদোকপদা ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্লা হায়, লৈঙাক অসিনা কোভিদনা নারবশিং হোস্পিটালদা থন্বা চল্লক্তবদগী য়ুম য়ুমদা হোম আইসোলেসন তৌহন্দুনা থম্বা অসিনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগীসু কোভিদনা নারবশিং য়ুম য়ুমদা লৈরিবা অসিদা য়ুমথংনবা য়াওনা অকোয়বগী মীয়াম মীপাইবা কয়া লৈরিবসি কোক্নবা থৌরাং পুম্নমক এম এল এগী পাউতাক মতুং ইন্না থবকশিং অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

থৌরমদুদা ককচিং খুন্নৌ ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী হান্নগী চ্যেরপর্সন কেঐচ বাবু, হান্নগী কাওন্সিল্লরশিং, দিভলপমেন্ট কম্মিটি, ককচিং খুন্নৌগী লুচিংবশিং অমদি মেম্বরশিংসু য়াওখি।

‘মীয়াম পূনবা মফমশিং সেনিটাইজ তৌখ্রে’

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

ইন্দিয়াগী মফম শীনবা থুংনা চৈথেং পীরক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎনা মণিপুরদসু চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। ওইরক্লিবা ফিভমসিদা লম্লাই কেন্দ্র মীয়ামগী পুন্সি কন্নবগীদমক লম্লাই মপারি থৌগল লুপ্পা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মীয়াম পূনবা মফমশিং সেনিটাইজ তৌখ্রে হায়না লম্লাই মপারি থৌগল লুপকী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম বোবিসনানা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিদা, নোংমদা চঙদবা য়াদবা পোৎলম য়োনবা কৈথেলশিংদা লৈঙাক্লা পীবা চৎন কাঙলোনশিং ঙাক্লুবা পোষ্টর কেম্পেনসু চথখি। হৌখিবদসু লম্লাই কেন্দ্রগী লৈকায় শীনবা থুংনা চেকশিন থৌরাং ঙাক্লুবা পাউজেল পীখ্রে। মখা তারকপা ওইনা ঙসিসু লেপ্তুনা মীয়াম পূনবা মফমশিং সেনিটাইজ তৌখিবনি। সেনিটাইজ তৌবগী থৌরম অসি য়াইঙংপোকপী কৈথেলদগী হৌখি হায়রি।

য়াইঙংপোকপী পি এসকী ও সীনা লুচিংদুনা পি এস অসিগী সেক্যুরিটি পর্সনল ময়াম্নসু শরুক য়াখি। লম্লাই মপারি থৌগল লুপ্পা লৈকায় শীনবা থুংনা পাউজেল য়েল্লবা মতুংদা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা কোভিদ থেংননবগী ৱারেপ লৌরে। লৈকায় লৈকায়দা ময়ায় কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবা থিংনবা অমদি মীয়াম পূনবা থিংনবা ৱারেপ লৌনরকপসি অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না লৌই।

নাকল অমরোমদা, লম্লাই মপারি থৌগল লুপ্পা হোৎনরিবা কয়াবুসু পূক্লিং থৌগৎপীবা অমদি মপী-মপা লৈত্রবা লম্লাই কেন্দ্রগী অৱাবা উবীদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লমজিং মখাদা লম্লাই কেন্দ্রগী ওইনা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর মফম তারেৎ হাপ্পীরক্লে। অসিগুম্বা চীফ মিনিষ্টরগী মীনুংশি লৈবা থৌওং অসিগীদমক লম্লাই মপারি থৌগল লুপনা থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়রি।

‘এক্সপরিয়েন্স লৈরবা দিরেক্টর ওইনা হাপ্পিয়ু’

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা য়াম্না মরুওইবা দিপার্টমেন্ট অমসু ওইরিবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওইনা হান্না লৈরম্বা দিরেক্টরবু অতোপ্পা দিপার্টমেন্ট অমদা ট্রান্সফর তৌদুনা অনৌবা ওফিসর অমা হাপচিল্লকপা অসিগী মহুৎতা এগ্রিকলচরগী লমদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মীওই অমা ওইনা থম্বিনবা লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়না ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘগী জেনরেল সেক্রেটরি তেলেম দরানা সগোলবন্দদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা মী য়ামদনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, এগ্রিকলচরদগী থোক্লকপা পোৎশকশিংনা ঐখোয় পুম্নমক্কী পুক থাক্লিবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবিদুনা পার্মিনেন্ট ওইবা সোল্যুসন অমা পুথোকপিয়ু।

হৌজিক-হৌজিক ষ্টেট অসিদা এগ্রিকলচর লম অসিদা অৱাৎপা কয়া অমা লৈরি। ঙসিসু লমদম অসিগী লৌমীশিং দবল ইনকম লাক্লুবা হোৎনগনি হায়খ্রবসু থবক ওইনা পাঙথোকপা লৈত্রি। লৈঙাক্লা লৌমীশিংবু দবল ইনকম ওইহনগনি হায়রিবসি করিগুম্বা দিপার্টমেন্ট অসিগী হেদ ওইগদৌরিবা মীওই অদুনা লম অসিদা এক্সপরিয়েন্স লৈতবা মীওই অমনা থবক তৌরগদি লৈঙাক্কী মঙলান অসি মঙফাওনবদা অৱাবা অমা শোয়দনা ওইগনি।

লৌমীগী ইন্টরেষ্টতা লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি ঙসিসু অদুমক দিপার্টমেন্ট অমগা দিপার্টমেন্ট অমগা অদুমক য়াম্না চাওনা গেপ লৈবগী মমি উরি। ইকং থোকখিবা মতমদা লৌমীশিংনা থেংনখিবা অৱাবা মতমদা সী এমনা সেন্টরদা তকশিন্দুনা দ্রাউট এরিয়ানি হায়না লাউথোকহনখি। অদুবু দ্রাউট এরিয়া অমনি হায়না লাউথোকখ্রবসু লমদম অসিগী লৌমী অয়াম্বা টৈনান ফার্মরনা অয়াম্বা ওইবনিনা মদুগী খুদোংচাবা অদু লৌমী অয়াম্বনা ফংবা ঙমদে। মরম অদুনা অসিগুম্বা লৌমীশিংগীদমক তৌগদবা থবক থৌরম কয়া লৈরিবা অসিদা করিগুম্বা লম অসিদা এক্সপরিয়েন্স অমত্তা লৈতবা মীওই অমবু ওফিসর অমনি হায়না য়াম্না মরুওইরিবা দিপার্টমেন্ট অমগী দিরেক্টর ওইনা থৌ পুহল্লবদি লৌমীশিং তঙাইফন্দবা থবক থৌরমশিং অমদি লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাংগী থবকশিং অদু ফংবা ৱাগনি। মদুনা অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসি লৈঙাক্লসু উবিরগা এগ্রিকলচরগী লমদা টেক্নিকেল নোলেজ লৈবা মীওই অমা ওইনা এগ্রিকলচরগী দিরেক্টর ওইনা হাপহন্নিংই। মদুনা লৈঙাক্লা থল্লিবা গ্রিন রিভোল্যুসনগী মঙলান অদু মঙফাওনবা ঙমগনি হায়না খল্লি।

হৌজিক-হৌজিক লৌউ পাম্থাসু য়ৌশিল্লকপা মরম্না হায়রিবা থবক অসি লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্লবা আপিল তৌজরি। লোয়ননা লৌউ পাম্থা য়ৌরক্লবনিনা চহী খুদিংগী হার ফংদবগী অৱাবা অদু থোক্তনবা হোৎনবিয়ু। হার পীরিবা অসিসু লৈঙাক্লা লৌমী খুদিংগী য়ুমদা তঙাইফদনা য়ৌহনবা ঙমদ্রবসু জিলা পঞ্চায়ট লেভেলদা ফাওবদি য়ৌহনবিনবা থৌরং তৌহনবিরবদি লৌমীশিংদা অচৌবা মতেং অমা হায়বদু ওইগনি। লমদম অসিগী লৌমীশিংবু কন্সটিট্যুসনেল প্রোটেক্সন পীবিনবা হোৎনবিয়ু। মদুনা টৈনাল ফার্মরশিংদা য়াম্না চাওবা মতেং ওইগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা পাউগী মীফম অদুদা ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবা ভি দি এফ সুরেশকী ইমুংদা এসোসিএন্না শেলগী তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না মতম কয়াগী মমাঙদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদগী ভি দি এফ অমা লৈখিদবা থোকপদা শেলগী তেংবাং পীবগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা খুমন লম্পাক ইলেক্ট্রিসিটি কমপ্লেক্সতা লৈদুনা মথৌ তৌরিবা সুরেশ অশেম অপোকপা এ থম্বালসনা সিংহনা হৌখিবা এপ্রিলগী তাং ২৭তা নাওরেমথোং খুলেম লৈকায়দা লৈবা মশাগী ময়ুমদা খঙহৌদনা বি পি ষ্ট্রোক তৌদুনা লৈখিদবা অসিদা এসোসিএসন অসিনা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ১,৫০,০০০ তেংবাংখি।

অশেম সুরেশ চহী ১১মুক হেন্না ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা ভি দি এফ অমা ওইনা শরুক য়াবগা লোয়ননা অচৌবা থৌদাং কয়া’মসু য়ারম্মী। মহাক নুপী থিদুনা মচা অমা লৈরবা মীশক অমনি। অদুবু লৈঙাক অমসুং পুলিস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ফেসিলিটি অমত্তা পীবিদবনা লৈহৌরিবা নুপী অমসুং অঙাংশিং করম্বা ফিভমদা ওহৌগদগে হায়বা অদু খনবীরগা মরী লৈনবশিংনা ভি দি এফশিংগী দিমান্দ অথুবদা খন্নবীয়ু অমসুং কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী য়াম্না তমথিরবা তাঞ্জা অসিদা ফ্রন্ট লাইন ৱর্করশিং অমা ওইনা লৌরিবা থৌদাং অসিবু ইকায় খুম্নবীয়ু হায়নসু আপীল তৌরক্লি।

তেংবাং পীবগী থৌরম অদু ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি কনফরেন্স হোলদা গভর্ণমেন্টকী এস ও পি ঙাক্তুনা চম্না পাঙথোকখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী তেংবাংগী শেনফম অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসি-এসনগী প্রসিদেন্ট অমসুং ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএশন সেন্ট্রেল কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) কম স্পোক্সর্পসনসু ওইরিবা এমদি রিয়াজ খাননা লৈখিদ্রবা সুরেশকী লোয়নবী অশেম ওংবী থবাতোন দেবীদা খুৎশিন্নখি।

লোয়ননা উ লৈতবা মফমদা কেগেনা য়ূম্বী ওইদুনা তৌজরিবা ৱেলফ্যের অসিদা অচৌবা কো-ওপরেসন পীবিদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ভি দি এফশিংগী থৱায় হাপ্পীরিবা এস পি কে মেঘচন্দ্র সিংহ এম পি এস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ওফিসর খূদিংমকপুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

মণিপুর এসেমব্লি কন্সটিট্যু-এন্সিশিংগী মনুংদা ৪-ক্ষেত্রিগাও এ/সীগী এম এল এ ওইরম্বা থাংজম নন্দকিশ্বর সিংহনা লৈখিদবা অমদি হৈঙাং কেন্দ্রদা কুমজা ২০১৫গী ১১শুবা বিধাণ সভা ইলেক্সন্দা কেন্দিদেট ওইরম্বদা নত্তনা কুমজা ২০০৯গী মে ১১দা লিংখৎখিবা মণিপুর দিমোক্রেটিক পীপলস ফ্রন্টকী ফাওন্দর প্রসিদেন্ট ওইরম্বগা লোয়ননা পি দল্লিয়ু দিপার্টমেন্টকী চীফ ইঞ্জিনীয়রসু ওইরম্বা গুরুময়ুম তোনসনা শর্ম্ম অনীনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিটি/দিমোক্রেটিক ভারতিয়া সমাজ পার্টিনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অনীগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি হায়না পার্টি অসিগী ষ্টেট সেক্রেটরি কৈশাম আনন্দ সিংহনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিদা, লুচিংবা অনীগী মফমদা এম এস সী/দি বি এস পিগী মায়কৈদগী ইকায় খুম্নবা উৎচরি। লোয়ননা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অনীগী থৱায়না মপুগী খুয়াদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক তাইবঙ মপুগী মফমদা থৌনিজরি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর মীয়ামগীদমক লুচিংবা অনী অসিনা শেন্মীৎলোন, খুন্নাইলোন অমদি অতৈ অতোপ্পা হীরম কয়াদা লৌরম্বা চাওখৎ থৌরাং কয়াগী থৌদাংবু নীংশিংলুরগা ঙসিদি অমুক হন্না মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অৱাৎপা মাঙজবা অৱাৎপা মাঙজব অমা ওইহৌরগনি হায়বসি মণিপুর ষ্টেট কম্মিটি/দিমোক্রেটিক ভারতিয়া সমাজ পার্টিগী মায়কৈদগী থমজরি। লোয়ননা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অনীগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু এম এস সী/দি বি এস পিনা শরুক য়াজরি হায়নসু মখা তারক্লি।

নাকল অমরোমদা, পাৎশোই তুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লব (পি টি সী সী), পাৎশোই পার্ট-থ্রী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুরগী হান্না জেনরেল সেক্রেটরিগী থৌ পুবীরম্বা মুতুম নিল্লচন্দ্র সিংহনা হৌখিবা মেগী তাং ৫, য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা ক্লব অসিগী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

লৈকায় লৈকায়গী চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া লুচিংবীরম্বা, পি টি সী সী, পামায়লগীতা নত্তনা টি বি এস এফ এ ভেট্রানগী অচৌবা থৌদাং পুবীরম্বা, অচংবা শান্নরোয় অসিনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা পাৎশোই তুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লবকী শঙলেন্দা ক্লব অসিগী একজেক্যুটিভশিংনা এস ও পি ঙাক্লা মিনিট অনী তূমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্লা পাঙথোল্লম্বা থবক কয়া নীংশিংদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎচনিংবা মহাক্লা লৈখিদবদা লৈকায় অসিগীদা নত্তনা শান্নরোয় খুন্নাইগী অরংবা থৱাম্মীচাক অমা মাঙজরবনি। মতম পূম্বদা মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি। মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈখিবা ওইরসনু অমদি ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

‘মতম কক্তনা অথিংবা থম্লে’

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা মরম ওইরগা নোংমগী শু-নোমদুনা চাজরিবা প্রজাশিংদা পীরিবা অৱা-চৈথেং কয়াসিগী য়েংলগা লম্লাই দিভলপমেন্ট কম্মিটি, লম্লাই ষ্টুদেন্টস আইদিএল ক্লব অমদি লম্লাই অপূনবা মৈরা পায়বী অহুম্না পূন্দুনা শেমখিবা লোকেল কোভিদ কম্মিটি লম্লাইদা ৱাফম খরা থমজরি। হৌজিক হৌজিক লম্লাইগী লৈকায় লৈকায়দা হৌরিবা মরুপ, টৈন্দর, লোট্টরি, মাইক্রো ফাইনান্স অমদি শেন্দোয় লৌবনচিংবা অসি লায়না-লাইচৎ অসিনা খরা শাফদ্রিবা ফাওবা লোয়ননা মপান থোক্তুনা শু-নোম্বা য়াদ্রিবা ফাওবা মতম কক্তনা থিংলে হায়না মীয়ামদা খঙহল্লক্লি।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

লাক্কদৌরিবা জেনরেল এসেমব্লি ইলেক্সন্দা হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইগদৌরিবা সোসল ৱর্কর এন দিতেন সিংহগী লীচিং মখাদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা সলুংফম মমাঙ লৈকায় পোল্লিং নম্বর ৩৩/১৬গী ৱার্দ নম্বর ৬তা পোল্লিং সেক্রেটরি অমদি ৱর্করশিংনা কোভিদ-১৯না অৱাবা নংলবা ইমুংশিংদা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা চান থক্লবা ইসেন্সিএল আইটেমশিং য়েন্থোকখ্রে অমদি মখা তানসু কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা অৱা-অনা নংলবা ইমুংশিংদা লেপ্পা লৈতনা মতেং পাংদুনা প্রজাগী অৱাবা কয়াদা শরুক য়াখিগনি হায়রি।

ꯑꯔꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ/ অৱাবা ফোঙদোকপা

M.T.D.C. গী A.E. ওইবীরম্বা L. Kailallien Kuki না হৌখিবা তাং ৫/৫/২০২১ দা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা M.T.D.C. গী Employees Association না অৱাবা ফোঙদোকচরি অমদি লৈখিদবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা ঈশ্বরগী খূয়াখাদা তিল্লুনবগীদমক M.T.D.C. গী Employees Association না ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজরি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

ফোঙদোকচরিবা :
EMPLOYEES ASSOCIATION
M.T.D.C.

HL-P/9732/7

ꯊꯥꯒꯠꯄ/ MAY GOD BLESS LAISHRAM SUDHAKAR FOR YOUR TREATMENT



SUDHAKAR (SHAMU)

I, undersigned the father of Luckson express my gratitude and grateful for curing of my son who was suffering from stone case during a short period of three (3) weeks. I, further grateful to Laishram Sudhakar (Shamu) S/o well known physician of stone case Laishram Nabakishore (Padma Shri Awardee) of Sagolband Khamnam Leirak near I.T.I. Imphal for his treatment to such kind of patients. May bless to him in his future venture in treating many patients in the days to come.

Sd/- **S. Robin**
M. Ringpam Village Chandel Dist.,
Present Add. Langol Housing Complex

HL-P/9733/7,8,9

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি

চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লুবা করবার, শেল-থুম, শেল পুথবা, য়ুম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ূম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লুবা লক্কিষ্টোন, যন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্পা য়েংজরি। য়ুমদা লাকপা খূদোংচাদবশিং Whatsapp কী খূথাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

Contact : **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-P/9658/21/4-22/5

ꯅꯨꯡꯁꯡ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থুবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/9231/15/3-16/4

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / ঙমখৈ লৈতনা ওজা ABDUL HAQUE পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঐগী হকচাং Piles না মরম ওইরগা চহি ৫ মখায় অৱাবা খাংদুনা লাকখি। মণিপুরগী ওজা মাইবশিংগী হিদাক চাদুনা পৈশাশিং তিংজখি। অনাবদি ইফ-ফবা ঙমদে। মমৈথংদা ওজা Kabiraj Abdul Hak Cont. No. 8794429681 দা চত্তুনা লায়েংজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অৱাবা নুংঙাইতবশিং: খোং হাম্বদা শৌজ তারকপা, মরক-মরক্তা খোং হাম্বদা ঈ তারকপা, শৌজদা হাক্কৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, পুক নুংশিৎ কাবা, খেগৎপা, অমাংথোঙদা চিকপা, থুপ্পা অমদি শাবা তৌবা, খ্বাং নাবা, ঙকশম মরী নাবনি। অদুবু হৌজিক্তি য়াম্না নুংঙাইজরে ওজাগী হিদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগীনি। মরম অদুনা ওজা অব্দুলবু পাউচেগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমদি :-
Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **Ch. Jayanta**
Sagolband Tera

HL-P/9659/7

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাংথোঙ অকোয়বদা পনবা, অমাংথোঙ মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাংথোঙদা চিক্লি নারি তৌরগা লৈবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা প্রিক প্রিক সৌবা, খোং হাম্বা লোইরগা হৌগৎপদা কপ্লাক মরী নাবা অমদি মীৎ তন্দন পাইবগুম তৌরগা কোক ঙাওবা, কুইনা ফমজিনবা য়াদবা, অমাংথোঙ নাবা অমদি শাগৎলকপা ফগৎহনবীদমক্তা ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গন মরুগুম পোম্বা, মতম খরা লৈরগা অমাংথোঙ অকোইবদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, হাক্কৎচবা অদুনা মরম ওইরগা খোৎলুবা মতমদা অমাংথোঙ অকোইবদু তৎপা, খোং হাম্বদা তিনকুপ য়াম্না থোকপা, অমাংথোঙদা চিক্লি নারি তৌরগা লৈবা, কুইনা ফম্বা ঙমদবা, অমাংথোঙ নাবা অমদি শাগৎপা, খোং মপূং ফানা হাম্বা ঙমদবা, খোং হাম্বদা অকনবদা ওইনা হাল্লগা অমাংথোঙ মনুংদা অকনবতা ওইনা হাল্লগা অমাংথোঙ মনুংদা খোত্তৎলগা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, খোং হাম্বা লোইরগা হৌগৎপা মতমদা কপ্লাক মরী নাবা, মীৎ অনী তন্দন কাবগুম তৌরগা কোক ঙাওবা অদু ওজা রিয়াজুদ্দিন, ☎ **7085494783, 9856797338** দা চত্তুনা লায়েংবদগী ঙসি ঐগী ইফমদা লৈরম্বা অনাবা পূম্নমক ফরে। মরম অদুনা ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি।

লায়েংফম :-**(1) North AOC near Central GST Bhavan, Imphal. (2) Mayang Imphal (3) Mantripukhri Friends Colony Bylane-3 (4) Moreh Phaicham Veng.**

থাগৎচরিবা : **N. Robin**
Wangoi Bazar

HL-P/9615/7

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নাম্থুবা, অমাংথোং মনুংদু খুজিনবা, অমাংথোংদা য়াম্না চিকপা নাবা, অমাংথোং মনুং অমিদ মপান্দা পোম্বা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ মপুং ফানা অমুক্তা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, অমাংথোং মপানদা চেখায়বা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নাম্থুবা, নাম্থুবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু নাম্থুরকপা, মরক মরক্তা চৎপা মতমদসু শৌজ অদু নাম্থুরকপা, অমাংথোং মনুংদু খুজিনবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু ৱাতিন মতেক্কুম্না পীকনা তারকপা, অমাংবদু লোইনা তারকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎলগা শেংনা লাউথোকপা, শেংনা কোৎলগা লৌথোকহেদবা তারগদি অমাংথোং মনুংদা চিক্লি চিক্লি তৌরগা অদুম লৈবা, অমাংথোং মনুং অমদি মপান্দা পোম্বা, অমাংথোং মপান অকোয়বদু থাগৎপা, থাগৎফম অমাংথোং মপান্দা চেখায়বা, চেখায়বা অদু হিদাক চারবসু অমদি তৈরবসু ফজিল্লু য়াদবা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না থুপ্পা চেখায়বা অমাংথোং মপান্দা চেখায়বা অদুনা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ মপুং ফানা হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, হকচাংগী ইন্দ্রি অসি শোম্থুবা, খ্বাং নাবা, লেংজুম নাবা, ঙকশম মরি নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা : **W. Samarjit Singh,** Checkon

HL-B/6917/7

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/কুইনা ফমজিনবা ঙমদবা, কুইনা ফমজিনবা তারগদি অমাংথোংদা য়াম্না নাবা, অমাংথোংদা য়াম্না শাগৎপা, অমাংথোং মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না হন্না থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা কুইনা ফমজিনবা ঙমদবা, কুইনা ফমজিনবা তারগদি অমাংথোংদা য়াম্না নাবা, অমাংথোংদা য়াম্না শাগৎপা, অমাংথোংদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা ঈ তারক্কনি খনবদা, হকচাং ঈ ৱাৎশিল্লকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎলকপদা কোক ঙাওবা ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক চপ তিংখৎপা, পুকচেপ নাবা, পুক শাওগৎপা, অমাংথোং ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা অমুক হঞ্জিনখিবা, অমুক পোমথোরকপা, অদুগী মতুংদা অমাংথোং ময়াদা চাউনা পোমথোরকপা, অমাংথোংদা চক চক থিল্লকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা য়াম্না লিক্লা হাম্বা, অমুক্তদা মপুং ফানা হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্নিংই হায়না চঙলগা খজিক্তং হাল্লগা তোকপা, খোঙ হাম্বদা তিনকুপ য়াম্না য়াওরকপা, খ্বাং নাবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad Phusam বু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

থাগৎচরিবী : **Th. Biswajit** , Khangabok

HL-P/9682/7